# য়ু এন রাইটস কাউন্সিলনা ইন্দিয়াদা অফস্পা চৎনহন্দনবা রেকোম্মেন্দ তৌনবা খন্নখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২৫ঃ* ঙরাং জেনেভাদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী হেদক্বার্টর্সতা পাঙথোকখিবা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ১৩ শুবা য়ুনিভর্সেল পেরিওদিক রিভিয়ু মিটিংদা অফস্পা ১৯৫৮ অসি চৎনহন্দনবগীমক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা রেকোম্মেন্দ তৌনবা খন্নখ্রে হায়না সিভিল সোসাইটি কোলিয়েসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর এন্দ য়ু এননা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি সিভিল সোসাইটি কোলিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি, মে ২৪ দা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (ঐচ আর সি) গী য়ুনিভর্সেল পেরিওদিক রিভিয়ুগা মরী লৈনবা ৱার্কিং গ্রুপশিং ১৩ শুবা মীফম্না ইন্দিয়াগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দশিং এগজামিন তৌখ্রে। মীফম অদুদা স্লোভাকিয়াগী মায়কৈদগী অফস্পা ১৯৫৮ অসি চৎনহন্দনবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা রেকোম্মেন্দ তৌবগী ৱাফম পুখৎলকখি অমসুং স্বিটজর্লেন্দ অমসুং ফ্রান্সপু অনিনা প্রোপোজেল অদুবু শৌগৎখ্রে।

য়ু এন হেদক্বারটর্সকী লীখুল পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, স্বিশনা প্রোপোজ তৌবা রেকোম্মেন্দেসন্দা অফস্পা অসিবু ইন্টনেসেনেল কোভন্যান্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটস (আই সি সি পি আর) তা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং অদুগী মতুংইন্না রিভিয়ু তৌগদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখ্রে।

মীফম অদুনা ইন্দিয়াগী ফাইনেল রিপোর্ট অদু মে ৩০ দা ৱারেপ লৌগনি অমসুং প্রিলিমিনরি রিপোর্টনা মে ২৯ দা মীয়ামদা ফোঙদোক্কনা খঙহনগনি হায়রি। অফস্পা চৎনহন্দনবা রেকোম্মেন্দেসন অদু ফাইনেল রেকোম্মেন্দেসন ওইনা রিপোর্ট অদুদা য়াওরকপা য়াই হায়না চেরোল অসিনা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা সি এস সি ঐচ আরগী মীহুৎ-কাঙবু অমগী লীখুন পল্লদুনা ফোঙদোরক্লি।

রিভিয়ু মিটিং অদুদা শরুক ওইবা ইশুশিংগী মতাংদা পুখৎনরকখিবা রেকোম্মেন্দেসনশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ানা কনভেন্সন এগেন্স টোর্চর (য়ু এন সি এ টি), কনভেন্সন ওন ইনফোর্সদ দিসএপ্প্যারেন্সতা শহি তৌবা, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংবু ঙাক-শেনবা, য়ু এনগী স্পিসিয়েল রাপ্পোট্যরনা ইন্দিয়াদা লাক্লম্না খোঙচৎতা (২০১০) হুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংগা মরী লৈননা রেকোম্মেন্দ তৌখিবশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা, ইন্দিজিনস পিপলসশিংগী মতাংদা শেন্বা (ইরাক্লা) আই এল ও ১৬৯ দা শহী তৌবা অমসুং য়ু এন ওপস্নেল প্রোটোকোল য়ু এন সি আর সি, য়ু এন সি ই দি এ দব্লিয়ু আই সি সি পি আর অসিনচিংবদা অয়াবা পীবা হায়রিবশিং অসিসু য়াওরি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা স্পেইন, য়ু কে অমসুং য়ু এসনচিংবা লৈবাক কয়াগী পার্মানেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা অসিগুম্বা অথিংবা য়াওদনা মীওইবগী হক খোঙাউনবগী থৌওং অসিবু য়াম্না হকচিন্না লৌনখিবগা লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা আইনগী এক্সন লৌখৎনবা খুদক্তা অকনবা থবক কয়ামরুম পায়খৎনবশু রেকোম্মেন্দ তৌনখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী হোম এফিয়ার্স, এক্সটর্নেল এফ্যার্স, ৱুমেন এন্দ চিল্ড্রেন অমসুং প্লান্নিং অসিনচিংবা মিনিষ্ট্রিশিংগী জোইন্ট সেক্রেটরিশিং য়াওনা এট্রোর্নি জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, গুলাম ই ভাহনভাটিনা লুচিংবা, মেম্বর ১৯না শাবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ-কাঙবু অমনা মীফম অদুদা মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংনা হংনরকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীখি।

খন্ন-নৈবা অদুদা ঐচ আর সিগী মেম্বর ৩১ অমসুং ওবজার্ভর ৪৯ য়াওনা পুন্না লৈবাক ৮০ না শরুক য়াখি হায়রি।